# ‘মসা পানবা শগোল’

**- এল ইবোমচা -**

হাদ শমাদোন অয়াংবা
মার্জিং লাইগী খুনেৎশা
হৈঙাং চীংদা খুভম য়া
য়াঙ্গৈইরিবা য়াঙ্গৈইশা
কৌগে নঙবু চিংলেম্বা
শাখপ তুফাং লম্বা শা...।

অতিয়া গুরু শিদবনা অহল ওইশিল্লকপদগী মচানুপা অহল সনামহী অমসুং অতোনবা পাখংবা অনীগী মরক্তা অমদা মাগী নিংথৌ খুভম শিন্নরম্লবা হায়দুনা মালেম নোংখোং তরেৎলক কোয়রুনবা য়াথং তৌরম্মী। য়াথং অদু হেক ফংবগা সনামহীদি মালেম নোংখোং কোয়বা চৎখিরম্মী। অদুবু অঙাং ওইবদগী মপাঙ্গল শোঞ্জরিবা পাখংবদি চৎপা ঙম্লোইদবগী মতৌ উবদা মমানা অসুম্না তাকপীরম্মী মদুদি, মালেম নোংখোং তরেৎলক কোয়বা হায়বসি নপাবুংগী ফম্বাল তরেৎলক কোয়বগা চপ মান্নে হায়না তাকপীবদগী পাখংবনা মপা ইবুংঙোগী ফম্বাল তরেৎলক কোয়রগা মপাগী নিংথৌ খুভম ফংখিবগী অচেৎপা থাজনবা ৱারী লৈবগুম্না, মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদবা পিক্তক তৌবা মপাঙ্গল কনবা, পাৎথী-কোমথীদা মচিঞ্জাক থিরগা চাজবা ঙম্বা ঐখোয়গী শগোলগীসু তোঙানবা ৱারী লৈজে। মসিগা মরী লৈনবদা মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি ঙসিমক উমং লাই হরাওবগী লাই লম থোকপা চৎপদা শগোল য়াওদবা য়াদবতা নত্তনা মালেমদা মমিং শেগাক কায়বমখৈ চৎলিবা শগোল কাংজে ঐখোয়গী মণিপুরগী শগোলশিংনা শান্নবা হৌদোকখিবনি।

লাই পূম্নমক্কী নিংথৌ সোরারেনগা মালেম তাইবঙগী নুপী লক্তগী লম য়ৌনা চংখোল্লবী, শকহেনবী কোন্থৌজম তম্ফা কৌবী লৈশাবী অমগা থম্মোয় শেংনা নুংশিনরম্মী। মখোয় অনীগী অচেৎপা নুংশি মরী অসি খঙনবদগী লাইয়াম অমসুং মী লক্তগী অথোইবশিংগা তান্নরগা অওং অউন য়াওনা চাউনা লুহোংবীরম্মী। চহী খরগী তুংদা মখোয় অনীগী নুংশিরবা মচা খোরিফাবা কৌবা মচানুপা অমা ফংজরম্মী। অদুক কুইরবা অদুফাওবদা সোরারেননা তম্ফাবু নোংমতসু মপাম লমদম কোন্থৌজমদা খক চৎহন্দে। অদুবু ইখঙ হেক খঙহৌদনা নোংমদি তম্ফানা মপামদা চৎচরুগে হায়না লাইনিংথৌ সোরারেনদা হায়জরম্মী।

- য়ারোই তম্ফা, ঐনা নঙবু নপামদা চৎপগী অয়াবা পীবা শুকঙম ঙম্লোই, ঐনা নঙোন্দা মমাঙঙৈদা হায়খিদব্রা? নঙনা নপামদা চৎনীংদনবা নপাম লমদমদা অশি অনা য়াওবগী মীকপ মীরাওখোল তাহল্লোই য়াওহল্লোই হায়দুনা। অদুগা অমনা ঐনা য়াবদগী নঙনা লাইয়াম লক্তা তিল্লবনিনা মী লক্তা তিন্দুনা তাইবঙ চিঞ্জাক অমত্তা য়াতোন তংবা য়ারোই হায়খিবদু কাউরব্রা...?

- খাম্বী মৈ হৌদুনা অশি পোৎলোইবগী মীকপ মীরাওখোল কয়ামা তারিসিবু অশি অনা য়াওদে হায়বা ঙম্মীনে ইনিংথৌ সে...!

- ইহে, তম্ফা নঙসে, ঐনা হায়বা থাজদ্রমাল্লে, খাম্বী মৈ হৌদুনা অশি পোৎলোইরিবসি তাইবঙ মী নত্তে, ইকু ইবুংঙোনা নুংশিনা লোয়জবা তাউবা হুইদো লিন্না চিক্তুনা শিবদগী মচা শক্লা পোৎলোইরিবনি, ইশানৌ নঙবু থাজৌনে...!

- ইপামদা চৎতুনতদি ময়েংজরুগে, চরা চিন্দমজরক্লোই, অহিং য়ারেকচরক্লোই অয়াবা পীনবীয়ুদো ইনিংথৌ...!

- ফরে ফরে নঙনা ময়াদ্রবনিনা চৎচরুরো, সনাগী কৈরাক থাদরবনি, ঐগী য়াথং কাইহনগনু, লাইনা হায়বনি কাউগনু, অহিং য়ারেল্লকপা য়াদে অদুগা তাইবঙ মীগী চিঞ্জাক চাফদেকো...!

- হোয় হোয় ইনিংথৌ, অহিং য়ারেকচরক্লোই, চরা চিন্দমজরক্লোই তন্না হঞ্জরক্কে, তৌবতদি ইচা খোরিফাবা লোয়নজখিগে...!

- হুম হুম মাদি লাইগী মচানি য়ারোই, থুনা তন্না হল্লক্কদবদুবু, খঙমন্নসু খঙদা শাইদা, লাইনবু মীগা পূনবা হৌনব্রা হায়বা, ওইদবা ঙাঙবশিংদুগা...?

- তম্ফা মপামদা লাকই তাবদা মখুরা মতোন শাগৈ নাতৈ হরাওখিবদগী নোং ফাদোক লাকপনি খন্না ময়াম্না য়াদবদগী লাইগী নিংথৌ সোরারেন উদনবা হায়দুনা ফিজং মরোল তরেৎ লোন্নরগা খল্লদুনা চরা চিন্দম্ননবা মখূৎনা চাক চখোম অমা হেক থাঙ্গৎতুনা হুক্লকপদা,...!

- অচা-চা, অদুরা তম্ফা নঙগী ৱাখল, পূক্লিং চেৎতবী নশাবীনা হায়খিবা ৱা ঙাক্লা চৎতবী, লাইরমলেন্দা নঙ অমুক হন্না চঙলকপা য়াররোই হায়না লাউরম্লগা সনাগী কৈরাক মতম চূপ্পগী ওইনা চীংখৎখিরম্মী। তম্ফানা ও: খোংনা কপ্লদুনা ফনা য়াম্না কন্না হন্দকমুক্তং ঙাকপীনবা হায়জরবসু তাবীবগী মহুত্তা মথক্তগী তিল্লাং ওইনা শীৎথরকখিবগী ৱারী লৈ।

মমা উবা ফংদবদগী অঙাং ওইরিবা খোরিফাবা নিংঙাই তৌদুনা কপখিবদগী মপা সোরারেন য়াওনা লাইয়াম্না থেন্বা মঙমদ্রবদা কাইনথংদা ‘‘লৈশং খক ৱাইবা’’ লৈরাং উহল্লুবদা ঙাইহাক কপ্পা লেপ্পুরবসু হেক্তমক কপ্পা হৌরকপদা মায়কৈ ঙাকপা লাই মার্জিংনা মাগী খূনেৎশা ওইরিবা ‘মসা পানবা শগোল’ অমগী অপীকপা শক্তম অমা উৎলগা পাইহল্লুবদগী মপূং ফানা কপ্পা থেমখিবগী থাজ ৱারী লৈ। মতমদুদা হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী ইম্ফালগী বজার মনুংদা মচিঞ্জাক থিরিবা শগোলশিং অসিগী মতমদুগী মপা মপু মবুধৌশিং ওইবা শগোলশিং অদু মসা পাল্লম্মী থাজনৈ, অদুগী মতুং কাইনথংদা মসা পানখিদবনি থাজনৈ।

য়াম্না হেন্না থাজনবা অমা হায়বা তারবদি খৃষ্ট কুমজা ৭৮গী লমতাগী অহানবা থাংজ দা নোংদা লাইরেল পাখংবগা লৈস্নাগা লৌখৎপগী থৌরমদসু ঐখোয়গী শগোল অসি শীজিন্নরম্বগী ৱারী শিংবুল লৈবগা লোয়ননা থাংজিং, মার্জিং, কৌব্রু, ৱাংব্রেননা মীচং অমা ওইরগা অতোপ্পা লাইয়াম অমগা ইহান হানবা ওইনা শগোল কাংজৈ শান্নবা হৌদোকখি হায়বগী থাজ ৱারী লৈরিবসিগী মথক্তা মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী শিংবুন কয়াদদি শগোলনা মথৌ মঙম য়াবসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। ৱারী মতেক অমা পনবা তারবদি মোইরাং থোইবীনা নোংবাননা থৌরকপা শগোল তাৎ তৌরগা লেপহল্লগা ফা-তোং ওইনা তোংখৎলগা খুদুপ থাবমখৈ থৌখিদুনা নোংবালগী মখূত্তগী নান্থোকখিবগী কাউবা ঙম্লরোইদবা নুংঙাইরবা ৱারী মতেক অমসু লৈতবা নত্তে। ঙরাং নহালতগী ৱারী অমা পনবা তারবদি গরিবনিৱাজ নিংথৌগী সনা হাক্তক্তা ঐখোয়গী শগোল লান্মীশিংনা মতোন্দা হু তৈবা, মনীংদা মতু থেৎপা অরামবাই মীংথোনবা খূৎলায় শীজিন্নদুনা শগোল খুদুপ থাবমখৈ থৌরগা অৱা লান্মীশিং তম্না লংশিল্লগা তুরা তুনা হাৎলগা মায়থীবা পীখিবগী অইবা লাইরিক ওইনসু লৈরি। ঙসি ঐখোয়না ইম্ফালগী মফম খরদা উরিবা শগোলশিং অসি মতমদুগী শগোলশিং অদুগী মচা মশু শুথাংনি হায়দুনা মথক্কী ঈশৈনা শক্তুনা তাহনবদগী মীয়াম হুপ্পা খঙমিন্নরবসু মখোয়না মচিঞ্জাক চাজ দুনা নুংঙাইনা পোত্থাজরম্বা অহাঙবা লৌবুক লম্মাংনচিংবা মফম কয়াদি ঐখোয়না য়ুম কৈ, ফুরা দলান, লাইশঙনচিংবা কয়া শাজিনখিবদগী মচিঞ্জাক চাফম ফংদবদগী বজারদা চাইদুনা লৈরিবা চেথি চেগুম, চেরংনচিংবশিং মচিঞ্জাক ওইনা চারগা চরা নোংখম্নরি। অসুম্না মপুন্সি লেনগদবগী শরুক মখোয়গী থায়নগী হৌরকফম ওইরিবা, নতেফমদা তে, নহনফমদা হন, হায়বদি (‘মসা পানবা শগোল’) দা ওইনা অমুক হন্না শায়োনলক্তুনা হানৌনা লেং-লেং চৎপা মফমদা চাক্তাজরুনবা পাইজখ্রনিদা...। ●

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মরী লৈনবশিংগী মফমদা হায়জবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা লৈরিবা লম্বীশিং অসি মতম মতমগী লৈঙাক্লা শেমজিনবা লেপ্পা লৈতে। কোয়লাস থাবসু লেপ্তে। ফনা চেকশিন্না শেল্লবসু পুং ২৪ গাড়ী অচৌবা মচা, মখল কয়াগী অরুম্বা গাড়ী চৎপা মরম্না শেম্বা কুইদ্রিঙৈদা কোম মচা মচা হনবা হৌরকই, খরা কুইরগা অচৌবা কোম ওইরক্তুনা চৎপা য়াদবা লম্বী ওইরকই। মরম অদুনা অমুক নৌনা শেম্বা তারকই। লম্বী তোয়না শেম্বা হায়বসি শেল য়াম্না চঙই, শেল লৈতবদগী শেম্বা ঙমদদুনা কুইনা থম্বদগী অশোয় অঙাম ময়াম অমা থোকখ্রবনি, মতুংদসু থোরকপা য়াই।

মতাং অসিদা থমজনীংবা অমদি লৈ। লম্বী কোয়লাস থাবা হেক লোইবগা ম্যুনিসিপাল এরিয়া ওইরগনা ম্যুনিসিপালদা শিন্নবা, পঞ্চায়ট এরিয়া ওইরগনা পঞ্চায়টতা শিন্নবা অমসুং চীংগী লম্বী ওইরগনা চীংগীদা শিন্নবা য়াবা মফম অমদা শিন্নদুনা অপীকপা মখুল অমা হনবা হেক উবদা কোয়লাস হাপ্তুনা মেনশিনবা, মদুগী খরচ চাদিং লৈঙাক্লা পুবিরবদি লম্বীগী মপুন্সি শাংনা চৎকনি, মীয়ামসু লম্বী নুংঙাইনা চৎকনি খল্লি। লম্বী তোয়না শেম্বগী অচৌবা শেনফমসু তোয়না পুথোক্লরোই। মসি নত্তবা অতোপ্পা অমবু ওইরবসু মতম খুদিংমক্তা লম্বী ফনা লৈনবা পোলিসি অমা তৌবীনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্কী মফমদা নোল্লুক্লা হায়জরি।

**অদোমগী - শগোলশেম সনাজাওবা**
লাইতোঞ্জম খোরি লৈকায়, নম্বোল

---

## ষ্টেটকী পাউ

### ঙসি মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা চীং অমদি তমগী মীয়ামগা হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপা হংনবগী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট হিল লিদর্স দে অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জিরিবামগী দিপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়, হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ১২.৩০ ফাওবা জিরিবামগী চীংদোং লৈকায়দা দিষ্ট্রিক্ট হিলস লিদর্স দে অমদি মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসর খুদিংমক্লা মীয়ামগী পেন্দিংদা লৈরিবা কেসশিং সেটল তৌনবা অমদি থৌরম মফমদা সোলুসন পুরক্লবা হোৎনগদবনি। মমাংদা তৌখিবগুম দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিংনা সী এম ঐচ টি, ওল্ড এজ পেন্সন, মীয়ামদগী হকচাংগী ফিভম খরা শোত্থনা লৈরিবা মীওইশিংগী পীবা য়াবা খুদোংচাবশিং অমদি অতোপ্পা স্কিমশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর খুমন্থেম দাইনানা থোকখিবা ওফিস নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না থা খুদিংগী অহুমশুবা ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী নুমিৎ হন্দক্কী ওইনদি লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ অসি ছুতি লৈবনা মরম ওইরগা নোংমা ঙনখৎলগা হয়েং পাঙথোক্লগনি। ইম্ফাল ইষ্ট দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ত ভবনদা হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ১ ফাওবা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

### কম্বাইন টিমনা লুপা ক্রোর ৫ হেনবগী ব্রাউন সুগর ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস): তেংনৌপল পুলিস অমসুং ২০ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা টিম অমনা ঙসি তেংনৌপলদগী লুপা ক্রোর ৫ রোম হেনবগী ব্রাউন সুগর ফারে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউজী মতুংইন্না তেংনৌপল দিষ্টিক্টকী শরুক খরদা লোনা য়াদবা মওংদা মীওই খরনা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌরে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং দিবিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর তেংনৌপলগী গেট মনাক্তা চেক তৌদুনা লৈখি। নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা য়াম্না চিংননিঙাই ওইবা মওংদা বোলেরো অমা লাকখি। বোলেরো অদু কম্বাইন টিম অদুনা খাল্লবা মতুং চেক তৌরুবদা ব্রাউন সুগর য়াওরম্বা থেংনখিবনি। ব্রাউন সুগরশিং অসু সাপোন কেপ ৬৫ তা হাপ্তুনা পুরক্লমখিবনি। মসিগী অরুম্বনা পুন্না কিলোগ্রাম ২.৬২৫ নি। ইন্টরনেসনল মার্কেটতা ফারবা পোৎলম অসি লুপা ক্রোর ৫.২৫ রোমগী ওইগনি। অমরোমদা বোলেরো অদুবু থৌরকখিবা লেনমিনপাও ভাইফে (৩৫) অপোকপা থাংনৈনে মখা তাবা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

### ফ্রেসর্স মীট কম ইনোগুরেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস): য়ুনাকো স্কুল খোঙমননা শিন্দুনা ঙসি স্কুল অসিগী ফ্রেসর্স মীট পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সিনিয়র সেকেন্দরিগী একাদমিক ব্লোকসু শঙ্গাখ্রে হায়রি।

খোঙমনদা লৈবা য়ুনাকো স্কুলগী কেম্পসতা ঙসি পাঙথোকখিবা ফ্রেসর্স মীট কম ইনোগুরেসন ওফ একাদমকি ব্লোককী থৌরম অদুদা য়ুপি এফ কী প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেন, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট লোংজম রতনকুমার, সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বা, অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কেন্থৌজম অমদি য়ুনাকো স্কুলগী দিরেক্টর অরুপ কে মুখোপধ্যায়না মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

স্কুল অসিদা নৌনা চঙলক্লিবা মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওকপা অমদি স্কুল অসিদা হান্না লৈরম্বা মহৈরোয়শিংগা শকখঙ মায়খঙনহন্নবগী তাঞ্জা অমা লৌবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক স্কুল অসিগী মরী লৈনবা খুদিংমক্লা লেপ্লি হায়বদু উৎনবগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকপনি। অমরোমদা নৌনা শঙ্গারিবা একাদমিক ব্লোক অসিনা মরম ওইরগা ক্লাস এলেবেন অমসুং টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংদা কান্নবা কয়া পীবা ঙম্লগনি। নৌনা লাক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি হান্না লৈরম্লিবা মহৈরোয়শিংনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নদুনা স্কুল অসিগী মীংচৎ অৱাংবা থাক্তা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি অমদি স্কুল অসিগী ওইনা লৈরিবা ওজাশিং অমসুং ষ্টাফশিংনসু কত্থোকপগা লোয়ননা হোৎনগদবনি হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল পি সুরচন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

### ইম্ফাল কেব্স সর্বিসকী অনৌবা ওফিস বিল্ডিং হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৫ নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইম্ফাল কেব্স সর্বিসকী অনৌবা ওফিস বিল্ডিং অমা হৌনবী মতুংইন্না থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়দা কেব সর্বিস অসিগী প্রোপ্রাইটর ঙাঙোম প্রেমজিৎ মৈতৈনা হাংদোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

ইম্ফাল কেব সর্বিসনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা নত্তনা মণিপুরগী মপান লমশিং য়াওনা চাওরাক্লা মীওই লাক্ষ ৩ হেনবদা সর্বিস অসিনা কান্নবা পীদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা কষ্টমরশিংগী অপাম্বগী মতুংইন্না থা খরগী মমাংদা লাইফক্যের এম্বুলেন্স সর্বিসকা পার্টনর ওইদুনা অনাবা মীওই ১০০ রোম হেনবদা সর্বিস পীবা ঙমখ্রে হায়রি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা কেব সর্বিস অসিগী রিগুলর কষ্টমরশিংদা ঙমজবা খুদোলপোৎ পীদুনা থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

---

**MARKSHEET LOST**

I have lost my Marksheet of B.Sc. 6th Semester Examination, 2020 bearing Roll No. 7103245 and Regn. no. 17390043 of 2017 issued by Manipur University on the way between Tiny Tots' Unique School and Laipham Khunou on 16/08/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Tania Mary Koijam**
Laipham Khunou

HL-P/3397/18

**ADMIT CARD LOST**

I have lost my Admit Card of Class XI, 2021 bearing Roll no. 35130 and Registration no. 30864 issued by COHSEM on the way from Heingang Makha Leikai to Sangai Hr. Sec. School on 12/08/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **P. Changkhonbi Devi**
Heingang Makha Leikai

HL-P/3694/18

**FLAT ON SALE (URGENT)**

A 3 BHK apartment is on sale at South Delhi urgently. Facilities include lift, basement parking, 24-hour water, fully furnished AC rooms with beds, fridge, washing machine, sofa, cupboards, RO water and almost everything for a family to move in right away. Location is walking distance from Fortis Hospital (Vasant Kunj) and JNU Southern Campus, 100 metres aerial distance from green zone, 150 metres from Vasant Kunj-JNU road. Only genuinely interested and prospective buyers may contact the owner (Manipuri) directly. No brokers please!

**Mobile : 8798137504**
**(Between 9 AM to 6 PM)**

HL-P/3693/17,18

**MANIPUR DRAMATIC UNION**

নিংথৌজম তোম্বীগী
**‘‘কৃষ্ণ অবতার’’**

| | | |
|---|---|---|
| নুমিৎ | :- | ইরাই, তাং ১৯-৮-২০২২ (কৃষ্ণজন্ম) |
| মতম | :- | নুংথিল পুং ৪:০০ (মরি) |
| টিকেট মমল | :- | লুপা ১০০/-, লুপা ৫০/- (এডভান্স বুক্কিং হাংজরে) |

এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর
**কে: আইচ: উনবা মৈতৈ**

ডাইরেক্টর
**বি: যুগোলচন্দ্র শর্ম্মা**

Sd/- **T. Priyobarta Singh**
General Secretary, MDU

HL-P/3702/18,19

**ভোটর কার্দ তাহৌরে**

হৌখিবা তাং ১০/৮/২০২২ ইংদা লাংথবালদগী ক্বাকৈথেল ফাওবদা ঐগী ভোটর কার্দ তাহৌরে। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাদা লৈজরিবদা শীন্নবীয়ু, অৱামল তৌজগনি।

হায়জরিবা : **খাইদেম রামে সিংহ**
ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাই
নম্বর : ৯৩৬৬১-৫৫৭১৭

HL-P/3700/18

**দশা য়েংজরি**



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9

**/অমাংথোঙ ময়াদা উরিংমুক চাওবা অনী পোন্নগা নাই চারকপা, নাই অদু ওমখৎলমদাইদা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা নাই ওমখৎলকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগা চিকপা-নাবা ফখিবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হান্নগসু হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হান্নগা তোকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা ফেষ্টুলানা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা উরিংমুক চাওবা অনী পোন্নগা নাই চারকপা, নাই ওমখৎলমদাইদা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা নাই ওমখৎলকপা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা-নাবা অদু ফখিবা, অদুগা নাই ওমখৎলমদাইদা অমুক চিক্লগা নাই ওমখৎলগা অসুম্না তৌরগা অদুম লৈবা, অদুগা মতম খরগী মতুংদা নাই ওমখৎলকপা, উরিংমুক চাওবা অপোম্বা অনী অদু লেপ্তুবনিনা খোঙ্গ্রাউ অদু চোৎপা, য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি হৈনদবা পোকপা, মখুল অনী হুৎপা অদু খূৎনা পায়রগা য়েংবা মতমদা মরী চৎপগুম তৌবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হান্নগসু হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হাম্বা, খোঙ অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ শেংনা হামদবনা মরম ওইদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা অমদি খ্বাঙ য়াম্না নাবা অমদি নময়াং মরিনসিসু নাবা, ঙকশম মরী নাবা, খোঙ শেংনা হামদোকখিবা তারগদি হকচাংদা নারম্বশিং অদু ফখিবা ওজা **Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Ch. Nabakumar Meitei**
Leimakhong

HL-B/7796/18

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**NOTICE FOR OBJECTION**
**Imphal, the 17th August, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **Ayush Doctor's Welfare Association (ADWA),** Imphal West address at Yaiskul Chingakham Leirak on 17-08-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Imphal West"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 7005476625 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/3696/18

**MANIPUR INTERNATIONAL UNIVERSITY**

Established and recognised by State Government of Manipur under MIU Act, 2018. Recognised and listed by University Grants Commission (UGC) under section 2(f) and 22 of UGC Act, 1956

**ADMISSION OPEN**

**B-Tech, BA & BSc**

For subjects that are Highly demanded with full placement contacts and facilities

1. BTech in Computer Science Engineering
2. BA/BSc Honors in Psychology
3. BSc Honors in Medical Lab Technology - MLT
4. BSc Honors in Operation Theatre Technology- OTT
5. BSc Honors in Medical Imaging Technology - MIT

LAST DATE OF APPLICATION 30th August 2022

For Details please Contact
info@miu.edu.in
admission@miu.edu.in
www.miu.ac
+91 9036 983 337
+91 8899 788 788

MIU Palace, Airport Road, Ghari , Imphal, Manipur-795140

HL-P/3688/17,18

**BEFORE THE OATH COMMISSIONER : MANIPUR AT KAKCHING**

**AFFIDAVIT**

I, **Md. Dawad**, aged about 23 years S/o **Md. Khamba**, a resident of Sora Mayai Leikai, P.O. & P.S. Kakching, District Kakching, Manipur do hereby take oath and solemnly affirm as follows:

1. That, I am bonafide law abiding citizen of India and local person of Manipur bearing my Aadhaar No. 3683 8197 8317. This is true to my knowledge.
2. That, my father's name is recorded as **Md. Kalam** in my electoral roll of 37/34 Kakching A/C bearing EPIC No. DKG0365403 of Sl. No. 217. This is true to my knowledge.
3. That, on the other hand, my father's name is recorded as **Md. Khamba** in my Aadhaar card. This is true to my knowledge.
4. That, the above said two names i.e. **Md. Kalam** and **Md. Khamba** are same person and alias name for my father. This is true to my knowledge.
5. That, as such, my father's name is required to record as **Md. Khamba** instead of former name **Md. Kalam** in my said electoral roll of 37/34 Kakching A/C as same as my Aadhaar card records and proposed to correction. This is true to my knowledge.

Verified that the above contents are all true to the best of my knowledge and nothing has been concealed in it and belief.

Dated/Kakching
The 17th August, 2022

Signature of the Deponent
**Md. Dawad**

**Y. Modhuchandra Singh**
Oath Commissioner (JUDICIAL)
Manipur at Kakching

HL-P/3400/18